# খ্বাইদগী নহা ওইনা মমিং লৈরক্লিবী এক্ট্রেস Florence Pugh

*- নানি -*



ফ্লোরেন্স প্যু মশাগী চহী ২৪ খক্তং শুরি। য়াম্না নহানি। আর্টতদি নহা হায়বা, অহল হায়বা লৈতে, মহাক মশাগী হৈশিংবা অমদি হোৎনবা অদুনা কৈদৌনুংদা লোৎপা ঙমদে। অদুনা মায় পাকপশিংগী মরক্তা অদুম য়াওহল্লকই। ইংলেন্দগী ওক্সফোর্ড হায়বা মফম অদুদা কুমজা ১৯৯৬কী জন্যুৱারী ৩দা পোকখি। মহাক্না লৌশিং তারকপা মতমদদি মখোয়গী ময়ূম অসি স্পেনগী Sotogrande হায়বা মফম অদুদা হোংলকখি। অপোকপী মমা দেবোরা মমিং লৈবী দান্সর অমনি। মহাক্কী মবুং Toby Sebastian হৌজিক মীয়াম্না খঙনরিবা এক্টর অমদি ম্যুজিসিয়ন অমনি। মহাকপু পোকপা মপাদি ইচম চম্বা রেষ্টুরা অমা হাংলগা লৈজবা মীশক অমনি। মহাক্কী এক্টিংগী করিয়র অসি মশাগী চহী ৬তমক ঙাইরিঙৈগী মতমদগী হৌরক্লে হায়না রেকোর্দ তৌরি। কুমজা ২০০৭তা মহাক St. Edward's School, Oxford তা তমখি। মতমদুদা স্কুলগী ওইবা থিএটর অমা উৎপদা মহাক অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। তশেংবদি মহাক অরিবা মতমগী ৱারী, দ্রামা অমদি কোমেদি অসি য়াম্না পামজনা হৌরকখি।

অসুম্না তপ্না-তপ্না থিএটরগী লম্দা চঙশিল্লকপনা ইহান হানবা ওইনা ফিল্মদা শরুক য়াখিবদি কুমজা ২০১৪দা পুথোকখিবা **The Falling** হায়বা অসিদনি। ফিল্ম অসিদা য়াম্না হৈশিংবা precocious teenager অমগী রোল লৌখি। ফ্লোরেন্সকী খ্বাইদগী লাইবক ফবদি নৌনা ফিল্মদা চঙলকপশিংগী মনুংদা পীবা বেষ্ট বৃটিশ ন্যুকমর এৱার্দ ফংবা ঙমখি। লোয়ননা লন্দন ফিল্ম ক্রিটিক্স সর্কল এৱার্দসু বেষ্ট য়ঙ পর্ফোর্মর কেটেগোরিদা ফংবা ঙমখি। মসিদগী হৌনা মহাক্কী ফিল্মগী লাইন অসি য়াম্না ময়েক শেংনা চঙশিল্লকপা হৌরকখি। ফ্লোরেন্সপু হেন্না মমিং চৎহনখিবদি Willliam Oldroyd কী ফিল্ম Lady Macbeth (2016) হায়বা অসিদনি। ফিল্ম অসি রিলিজ তৌরবা মতুংদদি স্ক্রিন ইন্টরনেসনলনা মহাকপু **Star of Tomorrow** হায়বা মীংথোল পীদুনা লাউথোকখি। ফিল্ম অসিদা মহাকপু জুরি পেনেলশিংনা খনগৎতুনা British Award 2016 অমদি The Dublin Film Critics Circle Award for Best Actress 2017 হায়বা অমসু Dublin International Film Festival দা পীখি। চহী অসিমক্তদা মমিং লৈরবা professional wrestler Paige গী পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা Stephen Merchant না ইবা অমদি দিরেক্সন পীবা **Fighting with My Family** হায়বা ফিল্ম অমগী লিদ রোল কূমদুনা ফিল্ম নম্বগী থবক লোইশিনখ্রে। কুমজা ২০১৮গী অঙনবদা রিলিজ তৌখ্রবা **The Commuter** হায়বা ফিল্ম অমদা Liam Neeson গী ওপোজিসতা কৃম্বা ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌখি। অতোপ্পা ফিল্ম আউটলো কিং হায়বা অমসু পোষ্ট প্রদক্সনগী থাক্তা রিলিজ তৌনবগীদমক মতম ঙাইদুনা লৈরি।

রাইজিং ষ্টার ফ্লোরেন্স প্যু থিএটরগী লম্দসু য়াম্না পামজবা অমদি থিএটরদা থৱায় য়াওজবা মীশক অমা ওইখি। মমিং লৈরবা দ্রামা **King Lear, Marcella** হায়বা অসি টেলিভিজন ফিল্ম ওইনা পুথোকখি। আর্ট হায়বা অসিদদি নহা-অহলগী ৱা থোইনা লৈতে। ফ্লোরেন্স য়াম্না নহা ওইরিবা এক্টর অমনি অদুবু মহাক্কী ইমুং-মনুংগী কলচরদা আর্ট এক্টিং হায়বা অসি পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা লোয়নরক্লবনিনা তোপ-তোপ্পা মশাগী ওইবা হৈনজবা অমসু শেমগৎপা ঙম্লকখিবনি। ঙসিদি ফ্লোরেন্স মীয়াম্না খঙনবদগী হেন্দে দাক্তুনা তুংদা য়াম্না অৱাংবা থাক্তা লাকখিনি হায়না থাজবা থল্লি। নুংঙাইরিবদি মহাক্কী মবুং Toby Sebastian হায়বা মশাগী চহী ২৬ খক্তা ঙাইরিবা অসিসু নিংথিজনা ঈশৈ শকপা অমদি ম্যুজিসিয়ন অমনি। কুমজা ২০১৩দা মশাগী ম্যুজিক এলবম অমা মায় পাক্না পুথোকখ্রবা মতুংদা মহাকপুসু মীয়াম্না খঙনবা হৌরকখিবনি। অসিদা নত্তনা গেম ওফ থ্রোন্স হায়বা ফিল্ম অমদা কৃম্বা হৌখ্রে। অদুবু ফিল্মদদি মহাক্কী ওইবা এৱার্দ অমদি থোইদোকপা অখন্নবা রিকগনিসন অমদি ফংবা ঙমদ্রি। টোবি স্কুলগী থাক্তা পাঙথোকপা দ্রামা কয়াদা শরুক য়ারকখি। মহাক্কী অপান্বসু এক্টিং তৌবা অসিনি। নুংঙাইরিবদি মমিং লৈখৎলক্লিবী রাইজিং ষ্টার ফ্লোরেন্সসু খোঙজেল য়াম্না ফজৈ, মহাক ঈশৈ শকপদা য়াম্না চঙখোনবা মীশক অমদি ওইরি, অদুবু ঈশৈবুদি এক্টিং তৌবনা হেন্না পামজৈ হায়না মশানা ফোঙদোক্লি।

ফ্লোরেন্সকা মহৈ তম্মীন্নরকপী মমান্নবীশিংদি হৌজিক মশাগী করিয়র শেম্নবা গ্রেজুয়েসনগী থাক্তগী থোইদোক্না অমত্তা হেনদ্রি। অদুবু মহাক্তি মীয়ামগী মীনুংশি, মীয়ামগী রিকগনিসন অমদি ইকায়খুম্নীনংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়াগী মেদলনা মাগী ঙকশমদা শীদুনা লৈরি। "Lady Macbeth" ফিল্মদা মহাক বৃটিশ ইন্দপেন্দেন্ট ফিল্ম এৱার্দ, য়ুরোপিয়ন ফিল্ম এৱার্দ ফংখ্রে। ফিল্মদা খোঙদাখিবদগী মহাক্কী নহা ওইবগী পুন্সি মহিং অদু থাদোক্তুনা সেরিয়স লাইফ অমদা মাঙদা চঙশিল্লি। ফিল্ম নৈনবশিংনা ফ্লোরেন্স অসি মথংগী Kate Winslet নি হায়নফাওবা হায়নরিবনি। Gifted actor অমনি হায়না শিংথানরিবা ফ্লোরেন্স প্যুকী ফিল্ম – **The Falling, Dreams of Life, Game of Thrones, Heavenly Creatures, Hanging Rock** থোইদোক্না শিংথানবা য়াবা ঙাক্তা ওইরি। **La La Land** হায়রিবা ফিল্ম অসিদসু মহাক লন্দন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা বেষ্ট বৃটিশ ন্যুকমর এৱার্দ নোমিনেসন ফংখিবনি।



য়াম্না নহা ওইরিবী ফ্লোরেন্স মালেম অসিগী মীপূম খুদিংনা করি ওইরক্কদগে হায়না ঙক্না য়েংনরিবা এক্টর অমা ওইরক্লে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ফ্লোরেন্সনা মঙোন্দা লাকপা এসাইনমেন্ট খুদিংমক তরাইনা লৌদে। মহাক্না লৌগদৌরিবা রোল অদু হান্না মমুৎ তানা খঙনবা মতম লৌই। অদুগা মঙোন্দা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা কেরেক্টর অদুদমক মহাক্না এসাইনমেন্ট লৌরি হায়রি। অদুগুম্বা কেরেক্টর অদু প্রী শুটিংদা হান্না অখঙ অহৈ কয়াগা মমুৎ তানা তানৈ, অদুগা মশাগী ওইবা মশক থোকপা রোল অমা করম্না উৎথোকপা ঙমগদগে হায়বা অসি খনবা হৌই ... মসিগী মতুংদা ফিল্ম অদুগী দিরেক্টরগা লোয়ননা অমুক কৃপ্না খন্নরগা দিরেক্টরগী অপাম্বা অমদি মহাক্কী অপাম্বা অনীমক খঙদোক্লরগা ফিল্ম অদুগীদমক মায়কৈ অমা লেপ্পবা হোৎনৈ। অমরোমদা ফ্লোরেন্সকী এদভাইজর অমদি মহাকপু চৈঙাক পীরিবশিংনসু মহাক্কী লৈরিবা ষ্টেটস অসিদগী হন্থদনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। ফ্লোরেন্স প্যু মশানসু কন্না হোৎনদুনা অখন্নবা করেক্টরশিংদা মায় পাক্লবা হোৎনরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫। ১০। ২০২০ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৭.৪২ ফাওবা মেরাগী ৯নি পাল্লি, মতুং ১০নি পানগনি।

**মেষ :** ৱাঙাঙ হৈত্রবা অমদি অশাওবনা মাঙওইনরবা মাঙজবতা থুংগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি। অদুবু লল্লোন ইতিক কান্নগনি, অনিংবা থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** অঙনবদা মীংচৎ ফংগদবা খোঙশাল লৈ অমদি অরং-অরাক্কী থবক্তা মায় পাক্কনি। মীৱা লৌবা অমদি খঙদনা অখঙ শাবদি মাঙগনি। মরুপ লোয়নৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হোয়া ফগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** মীয়াম্না চানবীবা অমদি মখোয়গা লোয়ননা পাংবা থবকশিং মায় পাকচবা লৈগনি। শকখঙদবনা ইনশিনবা লৌরদি কাইনবগী নুংঙাইতবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱা ঙাঙথোক্তবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** নীংবা থুংবা ঙসিসু লৈ, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা খুৎচাও থাবা য়াগনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু-থৌনাদি হনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** মীচং ঙসিসু হেনগৎকনি অমদি ঙাঙথোকপদা পকগনি। য়েৎনবা অয়াম্বা ঙমগনি অমদি লান্দবনা হেন্না চাওনা কান্নবা ফংগনি। মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** লেঙদবা লন ফংজবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা নুমিৎনি। মীয়ামগী মতেং লৌবা পান্নদি শোইদনা ফংগনি। হৈপাদি শাগনু মরুপ কাইনবা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**তুলা :** ঈরাং পুবা য়াদবা, অনম তানবসু মথা শাবা অমদি হোয়া ফবনা মরুপকা মরী ফত্তবা নুমিৎনি। য়ারদি হান্নদগী পায়রকপা নত্তনা অনৌবা থবক পায়গনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং লাংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎলসু খোইরাংবনা নচা ননাইগা মরী ফত্তবা অমদি য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌবা লৈগনি। শেন্দোং অমদি মীংচৎতি ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** পংশিনবা অমদি য়েৎনবনা লন ময়েং তাবা অমদি চরাংনবনা মাঙজবা লৈগনি। খল্লুদবা কান্নবা অমদি নুংঙাইবা পাউ তাবদি লৈগনি। মীৱা থাজবা মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর :** নীংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা হেন্না ফগনি । অনম তানবগীসু কান্নবা লৈ অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** থৌনা ফুদোকপা লন মাঙগনি অমদি অনম তানবা শক-চু থোকলোই। নোল্লক্না চৎচবা অমদি অশাওবা ফাথবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। অখঙ অহৈগী ৱা তাউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** শেল-থুমগী লম্দা চাওনা মায় পাক্কনি, মরুপ মপাং লোয়নবনা থবক মহয় য়াগনি অমদি য়েৎনরম্বা লৈরসু কোকচগনি। ৱাখলনা পুবা থবক পাংহৌরো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




ওজা অমনা এগজামদা এসে অমা পেজ মরি ইনবা মহৈরোয়শিংদা হায়রম্মী।
টোপিক্না - অতনবা হায়বসি করিনো?
মহৈরোয় অমনা পেজ অহুম হাংহল্লবা মতুংদা মরীশুবা পেজদা ইরম্মী...
মেদাম মসিনি অতনবা হায়বসি...!

- - - - - - - - - - - - - -

অঙ্গ্রেস : হ্বাট ইজ দিস?
দুকান মপু : দিস ইজ শঙ্গোম অফম্বা।
অঙ্গ্রেস : হ্বাট ইজ শঙ্গোম অফম্বা?
দুকান মপু : মিল্ক স্লিপ এট নাইট এন্দ মোরনিং বিকম টাইট।

- - - - - - - - - - - - - -

লোয়নবিনা (মপুরোইবদা) : নুমীৎ চুপ্পা ক্রিকেট... ক্রিকেট...!!
ঐ য়ুম থাদোক্লগা চৎলগনি...
মপুরোইবা : (কমেন্টরিগী মওংদা)
অহানবা খোঙথাং ওইনা য়াম্না ফজবা ষ্টেপনি...!!

- - - - - - - - - - - - - -

কোভিদ-১৯গী মনুংদা নহাশিংগী নোংমগী তৌনরিবা থবক
টি ভি - পুং ২
ফেসবুক - পুং ৩
ৱাটসএপ - পুং ৫
গেম - পুং ১০

- - - - - - - - - - - - - -

সঞ্জু ওটো তোংদুনা চৎলম্মী...
ওটো দ্রাইভর : য়ৌরে ইচেম্মা, লুপা ৬০ তারে...!
ইচেম্মা : সে লুপা ৩০...
ওটো দ্রাইভর : করিনো ইচেম্মা সিদি তঙ্খাই খক্তনি।
ইচেম্মা : হোয় ঐসু খঙই লুপা ৩০ নি হায়বা, অদো ওটো তোংলিসে ঐ ইথন্তা নত্তে নঙসু তোংলিবা নৎত্রা তঙ্খাই অমা নঙনা পীরো...!

- - - - - - - - - - - - - -

মচা : ঈমা মহাত্মা গান্ধীগী মকোক্তা মশম করিগী হৌদ্রিবনো?
মমা : মরমদি মহাক মতম পূম্নমক্তা অচুম্বা ৱা ঙাক্তা ঙাঙই...
মচা : ওকে, ঐ হৌজিক গ্যান তারে ইমা, নখোয় নুপীশিংনা করিগীদমক মশম শাংলিবনো হায়বা...!

- - - - - - - - - - - - - -

পপু : পুংদোল অমা লৈদুনা চাগে তৌবদা পুংদোল মনুংদা তিন য়াওরম্বা থেংনরম্মী।
পুংদোল য়োল্লিবা নুপা অদুদা মসি পুংদোল অসিদি তিন য়াম্না য়াওরে।
পুংদোল য়োনবা : ইবুংঙো মসি লাইবক্কী ৱানি। কনানা খঙবনো অতোপ্পা পুংদোলদনা সনা য়াওরম্বসু।
পপু : অদু ওইরবদি কিলো অনী পীরকউ।

- - - - - - - - - - - - - -

মপুরোইবা : করিগুম্বা ঐঙোন্দা লোটরি ফাওরবদি নঙ করি তৌগনি?
লোয়নবী : পৈশা তঙ্খাই অমা লৌরগা ইপামদা চৎখিনি। অদু ওইরবদি নঙসু নুঙাইরনি অদুগা ঐসু।
মপুরোইবা : ফরে অদুদি লুপা ২০গী লোটরি ফাওরে, সে লৌরো লুপা ১০ অদুগা য়াম্না থুনা চৎখ্রো।

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title : Scenery
By : Manimatum
Class : III Sec : A Roll No. 03
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : A Girl with butterfly in moonlight
By : Sneha Laishram
Class : VII Sec : Roll No. 1
School : Public School Ningthoukhong.





Title : Playing girls
By : Supriya P
Class : I (E) Sec : Roll No.
School : Mitra Academy, Bangalore.




Title : Map of India
By : Pukhrambam Parlin
Class : II Sec : B Roll No. 57
School : Don Bosco Hr. Sec. School.





Title : Cindrella
By : Airish Thangjam
Class : V Sec : B Roll No. 62
School : Don Bosco High School, Langjing.


Title : Scenery
By : Laishram Roshan Singh
Class : VIII Sec : B Roll No. 76
School : The Little Master Eng. Hr. Sec. School




Title : Scenery
By : Th Urika Devi
Class : III Sec : A Roll No. 40
School :

Title : Don't Cut Tree Save Environment
By : A. Glizy Devi
Class : V Sec : E Roll No. 54
Address : Standard Robarth Hr. Sec. School.

Title : Crown and flower
By : Rajluxmi Laishram
Class : I Sec : A Roll No. 45
School : Little flower School.